# রাঞ্চি রেয়জনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসপু মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে



লক্ষনৌ, জন্যুৱারী ২৩ঃ

স্কিপর অশলে জেক্সননা চনখিবা মশক থোক্লবা গোলনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেয়জনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসপু ৪-২ দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা হোকি ইন্দিয়া লীগ (ঐচ আই এল) তা মখোয়গী অহানবা মায় পাকপা ওইখ্রে।

মফম অসিদা চঙখিবা টিম অনীগী মেচ অদুদা উত্তরপ্রদেশ ৱিজার্দসনা মেচকী মিনিট ৪ চৎপা মতমদা মখোয়গী প্লেয়র রমন্দী সিংহনা গোল অমা চন্দুনা লীগ অসিগী অনৌবা রুলদা গোল স্কোরিংগী মতুং ইন্না ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। রুল অদুগী মতুং ইন্না লীগ অসিদা ফিল্ড গোল অমা চনবদা গোল অনী ওইনা লৌরি।


রাঞ্চি রেয়জনা মেচ লোইগদবা মিনিট ১৫ খক্তমক ঙাইরক্লবা মতমদা গোল অহুম চনশিন্দুনা হোম টিমবু নক্মৎলল্লগা মায় পাকখি।

রাঞ্চি রেয়জগী সরভাজিট সিংহনা মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোনরদা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি অদুগা স্কিপর অশলে জেক্সননা মেচ লোইগদবা মিনিট অহুম খক্তা ঙাইরবা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-২ দা লীদ তৌদুনা চৎখি।

যুম্বুদগী রাঞ্চি রেয়জনা গোল অমা হেন্না লৈখ্রবসু মেচ লোইগদবা মিনিট অমত্তা ঙাইরক্লবা মতমদা বেরি মিদ্দলটোননা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবদা মদুবু গোল ওন্থোক্তুনা ৪-২ দা মায় পাকখি। লোয়ননা টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা চঙ্খরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা রাঞ্চি রেয়জনা মায় পাকপা ওইখি।

মেচ মায় পাক্লবা রাঞ্চি রেয়জনা টেবলদা পোইন্টতা তরুক ফংদুনা লৈখ্রে। রাঞ্চি রেয়জনা মহাক্কী অহানবা ফংখিবা মেচতা মায়থীখিবনি। উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসু টেবলদা রাঞ্জিগা পোইন্ট মান্ননা লৈমিন্নরি। লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৬ তা রাঞ্চি রেয়জনা দেল্লি ৱেভরাইদরসগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# ইন্দিয়ন বেদমিন্টন ষ্টার পি ভি শিন্ধুনা মালেসিয়া গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ঃ

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন ষ্টার পি ভি শিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা ২০১৬ মালেসিয়া গ্রান্দ প্রীগী সেমি ফাইনেলদা সুং জি হয়ুনবু ২১-১৯, ১২-২১, ২১-১০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুরবী অসিনা অহানবা গেমদা সা উথ কোরিয়ন অসিবু নমহৎনবগীদমক অকনবা প্রেসরশিং থেংনখি অমদি মতুংদা মহাক্না নিংথিবা ফোর্মদা হল্লক্তুনা মেচ অদু দোমিনেট তৌখি। অদুম ওইনমক শিন্ধুনা দিসাইদরদা অৱাবা অমত্তা থেংনখিদনা মেচ অদুবু চাউনা মায় পাকপা ঙমখি।

মালেমগী নম্বর ১২ শুবদা লৈরিবী অসিনা মঙারকশুবা গ্রান্দ প্রী গোল্ড ইভেন্টকী টাইটল লৌনবা থৌরাং তৌরিবনি। মহাক্না চপ মান্নবা টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৩ দা লৌখি। মহাক্না মকাউ ওপনগী গ্রান্দ প্রী গোল্ড টুর্নামেন্টকী টাইটলসু অহুম্লক ওইনা কুমজা ২০১৩, ২০১৪ অমদি ২০১৫ দা লৌখি।

ঙসি লাম্বা অনীনা শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা রেকোর্দ ওইনা ২-২ দা হেঞ্জিনবা য়াদনা লৈখি। ঙসিগী মেচ অসিদা মখোয় অনীনা অহানবা মেচতা ১১/১১ দা টাই তাদ্রিঙৈদা কৃক কৃক ইন্না শান্নখি। অদুবু শিন্ধুনা ষ্ট্রেটতা পোইন্ট ৭ লৌবা ঙমখি। কোরিয়ন্না মায়োক্নখিবা মায়কৈদা নিংথিনা শান্নরকখি তৌইগুম্বসু শিন্ধুনা ওপোনেন্টপু খুদোংচাবা অমত্তা পীবা তৌদনা অহানবা মেচতা ২১-১৯ দা মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা সুংগী মায়োক্তুনা মখা তানা শিন্ধুনা শান্নবা ঙমখিদে। ইন্দিয়ন অসিনা কোরিয়াগী মায়োক্তা পোইন্ট ১০-১১ দা লৈখিদুনা নিংহন্নবা লৈখিবদগী মশাদা চনিং তানা শান্নবা ঙমখিদবনা সেট অদুদা ১২-২১ দা মায়থীখি।

শিন্ধুনা মখা তারকপা সেটতা য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। সেট অদুগী দিসাইদরদা শিন্ধুনা ষ্ট্রেটতা পোইন্ট তরেৎ লৌদুনা সুংবু মখা তানা ইন্থরল্লগা ইন্দিয়ন অসিনা মাঙজিল থানা চৎখিদুনা ২১-১০ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

# সানিয়া মিরজানা দবলস অমসুং সিক্স দবলসকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৩ঃ

ৱিমেন'স দবলসকী টোপ সীদেদ সানিয়া অমদি মার্টিনা হিঙ্গিসনা য়ুক্রেনিয়ন দো লয়ুফমিলা কিচেনোক অমদি নাদিয়া কিচেনোকপু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা সিক্স দবলসকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদসু সানিয়ানা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দিয়ন টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজানা মহাক্কী মায় পাকপগী লম্বী মখা তানা চঙশিলখিদুনা ৱিমেন্স দবলস ইভেন্টতা মার্টিনা হিঙ্গিসকা জুরা শেমদুনা য়ুক্রেনিয়ন দোবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

সানিয়া অমদি মার্টিনানা মথংগী রাউন্দদা রুসিয়ন-ইটালিয়ন কোম্বো সভেটলানা কুজনেটসোভা অমদি রোবার্টতা ভিনসিগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

সিক্স দবলসকী দ্রোদা সানিয়া অমদি দোদিগনা কাজাখ-পাকিষ্টানি টিমনা য়ারোস্লাভা লাভেদোভা অমদি আইসাম-উল-হগ ক্বুরেশিগা শান্নখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি অসি জুনিয়র কম্পিটিশনদসু অফবা নুমীৎ ওইখি। কম্পিটিসন অসিগী নুপীমচাগীদা ১০শুবা সীদ প্রাঞ্জালা য়াদলাপাল্লিনা জপানগী দায়ুকা আইকাৱাবু ৬-৪, ৫-৭, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। বারমন থান্দিনা য়াম্না লায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী ওলিভিয়া গাদেক্কিবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

## স্পোর্টস কম্পিটিশন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ঃ

রজিব গান্ধি খেল অভিয়ন ২০১৫-১৬ স্কিমগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস কম্পিটিশন অমা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা লাক্লিবা জানুৱারি ২৭ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

নুপা অমদি নুপীগী তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন ৮ দা চাঙদম্ন গদৌরিবা ইভেন্টশিংদি এঠলেটিক্স, বেদমিন্টন, বোক্সিং, ফুটবোল, জুদো, হোকি, টেবল টেনিস অমদি ৱেঠলিফটিংনি।

হায়রিবা স্পোর্টস কম্পিটিশন অসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নুপা নুপীশিংনা এন্ত্রি ফোর্মশিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টতগী লৌরবা য়াগনি। মেনশিল্লবা ফোর্ম পীশিনবগী মতমনা জানুৱারি ২৫ ফাওবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টকী এস নিরমালাতানা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# আইজোল এফ সিনা দি এস কে শিভাজিয়ানবু মায়থীবা পীখ্রে

আইজোল, জন্যুৱারী ২৩ঃ

আইজোল এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা আই লীগ ২০১৬ কী মেচতা দি এস কে শিভাজিয়ান্সপু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

মেচ হেক হৌখিবগা য়ুম্বুনা অকনবা মওংদা শান্নবা হৌরক্তুনা শিভাজিয়ান্সকী মায়কৈদা মনম-মনম তকশিনখি। য়ুম্বুগী মশক থোক্লবা প্লেয়র অমদি প্রেমিয়র লীগতা গোল মশিং য়াম্না চনবা ঙমখিবা এফ লালরিনপুই (ভালপুই) অমদি অলফ্রেদনা এটেকশিং চঙখি। মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক্তা ভালপুইনা খায়দোরকখিবা বোল অমা লিবেরিয়াগী ফোরৱার্দ অলফ্রেদ কেমাহ জরয়াননা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা শিভাজিয়ান্সকী মায়কৈদা শাফু কন্না কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি।

মেচকী অহানবা হাফ লোইরমদাই মিৎকুপ্তা টিম অনীমক্না অমনা অমবু নমথবা ঙম্নবা হোৎনরকখিবা তাঞ্জাদা মিজোরামগী কেপ্টেন দেভিক রিনমুৱানানা কাওরকপা কোর্নর কিক অমা টিমমেট জপানগী মিদফিল্ডর য়ুটা কিনোৱাকিনা ওক্লগা কাওশিন্দুনা অনীশুবা গোল অদু চনশিন্দুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী ফাৎপা হৌখি।

অনীশুবা হাফতা আইজোল এফ সিনা মখোয়গা মায়োক্নখিবা শিভাজিয়ান্সতা গোল পীথোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থিংনবা হোৎনখি। শিভাজিয়ান্সসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা কাউন্টর এটেকশিং চঙ্খরকখি। মখোয়গী অকনবা এটেক্তা আইজোল এফ সিগী দিফেন্দরশিং অমদি গোলকিপর জোথানমাৱিয়াদা লৈতাহনখিদে। অদুবু শিভাজিয়ান্সনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা আইজোল এফ সিগী মখুত্তা ০-১ দা মায়থীখি।

মেচ মায় পাকখ্রবা আইজোল এফ সিনা হেরো আই-লীগকী টেবলদা পোইন্ট অহুম ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

মায় পাক্লবা য়ুম্বু টিমগী কেপ্টেন দেভিদ রিনমুৱানাবু হেরো ওফ দ মেচকী এৱার্দ ফংখি।

দি এস কে শিভাজিয়ান্সকী কোচ পেরৈরানা মেচ লোইরবা মতুংদা হায়খি, আইজোল এফ সিনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। মসি মখোয়গী হোৎনজমনগী মহৈনি হায়খি।

নিংশিংবা য়াই, আইজোল এফ সিনা জন্যুৱারী ৯ দা শান্নখিবা মখোয়গী অহানবা মেচতা মোহন বগানগী মখুৎতা ১-৩ দা মায়থীহৌখি। অদুগা অনীশুবা মেচ জন্যুৱারী ১৬ তা শান্নখিবা অদুদনা বেঙ্গলুরু এফ সিনা ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, দি এস কে শিভাজিয়ান্সনা থাসিগী ১৭ তা শান্নখিবা মেচতা স্পোর্টিং গোৱাগা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি।

# মুম্বাই সিটি এফ সিগী হেদ কোচ কার্লোসনা ওইরবা য়াই

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ঃ

ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা মুম্বাই সিটি এফ সিনা মখোয়গী মতিক মথৌনাদু সিজন অসিদা উখোক্লবা ব্রাজিলগী হান্নগী শক্লাইরবা প্লেয়র রোবার্টো কার্লোসপু মখোয় টিমদা শান্নহন্নবা অকনবা লোবি চঙ্খরি হায়না এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

মুম্বাই এফ সিনা হান্নগী রিয়েল মেদ্রিদ অমদি ব্রাজিলগী মশক থোক্লবা শান্নরোয় অসিবু ক্লব অসিদা পুরক্লবগীদমক ৱারী শান্নবা হৌরে। মহাকপু পান্থে অমা হেক্তা শীজিন্নদুনা লৌনবসু হোৎনরি অমদি মহাকপু ক্লব অসিনা লৌনবা লিষ্টতা মকোক থংনা লৈরি হায়রি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ (আই এস এল) তা শরুক য়ারিবা ক্লব পুম্নমক্তা মখোয়গী অনৌবা হেদ কোচ ওইগদবা মীওই অদুগী মমিং লাক্লিবা জুলাই ১ ফাওবগী মমাঙদা লাউথোক্লবা খঙহনবা লৈবনা মুম্বাই এফ সিনসু মখোয়গী হেদ কোচ মতম চানা লাউথোক্লবা হোৎনরি। হান্নগী ফ্রেঞ্চকী ফুটবোল শান্নরোয় নিকোলাস অনেলকানা মুম্বাই সিটি এফ সিগী মেনেজর ওইরিঙৈ মতমদা শান্নখিবা অনীশুবা আই এস এলদা ক্লব অসিনা য়াম্না শোখনা লৈখিবগা লোয়ননা লীগকী সেমী-ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিদে।

হৌজিক কুমজা ২০১৫ গী এদিসনদা দিল্লি দাইনামোসকী মেনেজর ওইখিবা রোবার্টো কার্লোসনা মহাক্কী টিমবু সেমী ফাইনেল ফাওবা পুশিনবা ঙমদুনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

নিংশিংবা য়াই, কার্লোসনা মমাঙ চহীদা শান্নখিবা লীগ অসিগী সেমী ফাইনেল মেচতা কুমজা ২০১৬ কী আই এস এলদা অমুক হল্লক্লিংবগী ৱাখল লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু মুম্বাই এফ সিনা মখোয়গী টিমদা পুরক্কনি হায়না লৈরি।

মমাঙদা অনীরক পাঙথোকখিবা আই এস এলদা মুম্বাই সিটি এফ সিনা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে। কুমজা ২০১৪ দা চঙখিবা অহানবা এদিসন অদুদা ইংলেন্দগী পিটর রৈদনা মেনেজর ওইদুনা ক্লব অসিনা তরেৎশুবা মফমদা লৈবা ঙমখি অদুগা মমাঙ সিজন্দনা তরুকশুবা মফমদা লৈখিবনি।

## রিশি ধৱননা শোক্লবা ভুবনেশ্বরগী মহুৎ শিল্লগনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ২৩ ঃ পেসমেন ভুবনেশ্বর কুমারনা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নগদবা ইন্দিয়াগী মেচ অহুমগী টুয়েন্টি ২০ সেরিজদা খুদোম্বীদা অশোকপা লৈবনা শরুক য়াররোইদবনা মহাক্কী মহুৎতা ওল-রাউন্দর রিশি ধৱননা ওইনা শিল্লগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লাউথোকখ্রে।

টি ২০ মেচ অহুমগী সেরিজ অসি লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা এদেলেইদতা অহানবা মেচ শান্নগনি অদুগা জন্যুৱারী ২৯ দা মেলবোর্নদা অনীশুবা অমসুং জন্যুৱারী ৩১ দা সিদনিদাঅহুমশুবা টি ২০ মেচ শান্নগনি।


Office Of The Divisional Engineer
Telecom Project, N E T F
Top Floor,BSNL TQ Building,
Behind Microwave Station, Imphal.
Tel/Fax No: 0385 2446705

भारत संचार निगम लिमिटेड (भारत सरकार का उपक्रम)
BHARAT SANCHAR NIGAM LIMITED (A Govt. of India Enterprise)

NOTICE INVITING TENDER

NIT NO. DE/TP/IMP/OFC/W-76/2015 -16
Dated at Imphal 23-01-2016

Sealed tenders are invited by DE (TP), NETF, BSNL, Imphal from the prospective bidders for Trenching laying of Optical Fibre Cable and other associated works in **Imphal-Bishenpur, Imphal - Mao and Mao Kohima OFC Routes .**

1. Imphal - Bishenpur OFC Route

| SS No. | Names of SS starting from Imphal towards Bishenpur | Length of Sub sections | Estimated Cost (Rs.) | Days of completion |
|---|---|---|---|---|
| 1 | SS-4 | 3030 Metres | 665945.00 | 45 days |
| 2 | SS-5 | 3306 Metres | 601600.00 | 45 days |

2. Imphal - Mao OFC Route.

| SS No. | Names of SS starting from Imphal M/W Station towards Mao | Length of Sub Section | Estimated Cost ( Rs. ) | Days of completion |
|---|---|---|---|---|
| 1 | SS-1 | 4060 Metres | 981272.00 | 45 days |
| 2 | SS-2 | 3820 Metres | 692922.00 | 45 days |

3. Mao - Kohima OFC Route

| SS No. | Names of SS starting from Mao Exchange Station towards Kohima | Length of Sub Section | Estimated Cost ( Rs. ) | Days of completion |
|---|---|---|---|---|
| 1 | SS-1 | 2440 Metres | 437810.00 | 45 days |

EMD ,s will be 2.5 % of the estimated cost.

Sale of Tender :- 01.02.2016 to 13.02.2016 from 1100 hours to 1600 hours and at Rs.525/ in the form of DD from the Nationalised Banks.

Last Date of Receipt of Tender is 24-02-2016 from 1200 hours to 1300 hours. .

For further detailed information, kindly visit our website www.netf.bsnl.co.in & tender.bsnl.co.in and please come to the office .

23/01/2016
Divisional Engineer Telecom
Telecom Project BSNL
Top Floor, BSNL TQ Building
Imphal-795001

HL-B/2921/24



Office Of The Divisional Engineer
Telecom Project, N E T F
Top Floor,BSNL TQ Building,
Behind Microwave Station, Imphal.
Tel. No: 0385 2446705

भारत संचार निगम लिमिटेड (भारत सरकार का उपक्रम)
BHARAT SANCHAR NIGAM LIMITED (A Govt. of India Enterprise)

NOTICE INVITING TENDER
NIT NO. DE/TP/IMP/OFC/MT - 1/ 2015 -16
Dated at Imphal 23-01-2016

Sealed tenders are invited by DE (TP), NETF, BSNL, Imphal from the prospective bidders for Optical Fibre Cable laying through Micro Tunnelling in **Imphal-Bishenpur OFC Route(9.404 kms)** by **"NO DIG"** method using **TRENCHLESS TECHNOLOGY.**

| S/S | Name of the Work | Qty in Mtrs | Estimated Cost | Days of completion |
|---|---|---|---|---|
| 01 | From Imphal M/W Stn to next 3.105 Km towards Bishenpur | 3.105 km | Rs.810075/ | 45 days |
| 02 | From End Point of SS-01 to next 3.519 Km towards Bishenpur | 3.519 km | Rs.916645/ | 45 days |
| 03 | In between end Point of SS-02 and Bishenpur Telephone Exchange | 2.780 km | Rs.726200/ | 45 days |

Sale of Tender :- 01.02.2015 to 13.02.2016 from 1100 hours to 1600 hours and at Rs.525/ in the form of DD from the Nationalised Banks.

Last Date of Receipt of Tender is 24-02-2016 from 1200 hours to 1300 hours.

EMD,s will be 2.5 % of the estimated cost.

For further detailed information, kindly visit our website www.netf.bsnl.co.in & tender.bsnl.co.in and please come to the office .

23/01/2016
Divisional Engineer Telecom
Telecom Project BSNL
Top Floor, BSNL TQ Building
Imphal -795001
Tel No. 0385- 2446705

HL-B/2921/24


# ৱাই সি বি কেনা সোনালিকা ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৩ঃ

নোংইন্না প্রজেন্ট তৌদুনা ইরিলবুংদা লৈবা বামোন কম্পু ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চঙ্খরিবা ৭ শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (বি কে ট্রোফি) ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুনা সোনালিকা কোনুং মমাঙ ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা সোনালিকা কোনুং মমাঙনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ১৭ তা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌখি। টিমদুগী বেটসমেন বিসেসনা রন ৯ (১৯), সুরজনা রন ৪৮ (৪৬), মনিকুমারনা রন ১৩ (১৫), অবুংনা রন ২৩ (১০), রোবিনহুদনা নোট আউটতা রন ১৪ (৬), ছটিশনা নোট আউটতা রন ২ (৩) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুগী বোল্লর হেমচান্দ অমসুং গোকুলনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। সোনালিকানা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুনা ওভর ১৪ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট অহুমখক আউট ওইরগা রন ১৩৩ লৌদুনা সোনালিকা কোনুং মমাঙবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুগী বেটসমেন ঙৌবনা রন ৫১ (৩১), ফোলেন্দ্রোনা রন ২১ (১৫), রিসিনা নোট আউটতা রন ২২ (১৯), জোননা রন ২১ (১৩), মনাওবনা নোট আউটতা রন ১২ (৩) লৌখি।

সোনালিকা কোনুং মমাঙগী বোল্লর অবুং, বিসেস অমসুং রোবিনহুদনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা য়ঙ ক্রিকেটর বামোন কম্পুগী ঙৌবনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। মহাক্না বোল ৩১ মায়োক্নখিবদা রন ৫১ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।


B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact :
Office of the BCC Manipur
Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435

HL-B/2879/6/01-5/Feb



IPS
CANCHIPUR
THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS

KFC THE KANGLEIPAK FITNESS CENTRE
(A BLOCK OF GYM OF IPS)
REGISTRATION OPENS
FOR FITNESS TRAINING
(BOTH GYM & AEROBIC)




* YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN GAIN 10-20 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
* YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
* SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
* SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
* WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
* TRAINING FEE RUPEES 500/- ONLY
* GYM TIMING - 5AM TO 8PM

MOTTO : HEALTH IS WEALTH

ADMISSION OPENS-2016
FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)

* AWARDED FOR BEST SCHOOL
* AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
* LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
* 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES

LET'S NOT DEPEND ON FUTURE. LET'S CREAT IT.




MOTTO : KNOWLEDGE IS POWER

HL-B/2885/9/01-8/02